SONY SPECIAL
CHRISTMAS Offer
SONY 65' X7002E
₹2,24,900/- = ₹1,79,990/-
PICTURE QUALITY
4K X-REALITY PRO | 4K HDR
USER EXPERIENCE
INTERNET TV | YOU TUBE | DIRECT & QUICK
SMART PHONE PLUG & PLAY | SCREEN MIRRORING
SOUND QUALITY
BASS REFLEX SPEAKER | CLEAR AUDIO+
SONY HOUSE
VIDEOCON HOUSE
PAONA BAZAR, IMPHAL

ꯅꯍꯥꯔꯣꯜꯒꯤ ꯊꯧꯗꯥꯡ
নহারোলগী থৌদাং
A newspaper dedicated to the cause of Human Rights

ASHA DIN AAYEGA ??
BURA DIN AAGAYA ??
DEISEL IS ₹ 60/-
PETROL IS ₹ 68/-
HANGAM IS ₹ 50/-
BUT "INTEX" KA ASHA DIN
ASHA PRICE AAGAYA
24" LED TV
7.6KG W/MACHINE
170/190LT REFRI
₹ 29000
32" LED TV
7.6KG W/MACHINE
170/190LT REFRI
₹ 33000
VIDEOCON HOUSE, PAONA BAZAR, IMP.

মহুদ মিনিষ্টর টিঐচ শ্যামকুমারনা খ্বাইরম্বন্দ কৈথেল অমসুং নম্বুল তুরেলগী তোর্বানগী ফিভম য়েংশিনবা

ৱাঙ্গৈই ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী চেয়োরপার্সনগী মীখলদা মায় পাক্লকপা ববিতা রাজ্য সভাগী এম পি কে ভাবনন্দনা ওকপগী থৌরম

২৩ শুবা চহি, ইশু ২০২ | www.naharolgithoudang.in | ইম্ফাল,জানুৱারি ১২, ২০১৮ ইং, ৱাকচিংগী ২৬ নি পানবা, ইরাই | RNI 66117/96 Postel Regd. No. MNP | মমল লুপা ৩.৬০

অতেনবা পাউ

দিল্লিদা মণিপুরদগী নুপী অমা শিরগা লৈরম্লে

থৌদাং পাউমীদগী

ইম্ফাল জনুৱারি ১১ ঃ তমেংলোংদগী তবিথা কামৈ কৌবা নুপীমচা অমা দিল্লিদা শিরগা লৈরম্লে। তবিথা অসি হৌজিক হৌজিক দিল্লিদা থবক তৌরগা লৈবনি। মশাদা পেন দবা খরা লৈবদগী মথন্তা শিজনবগী খোঙথাং অসি লৌরকপা মাল্লি। মহাক্কী অশিবা হকচাং অদু ঙসি দিল্লিদগী তমেংলোং তম্না এয়ারক্রাফ্টতা পুখ্রে হায়না আইজিপি রোবিন হিবুনা ফেসবুক পোষ্টতা থাদোরকখিবা ষ্টেটমেন্ট রিপোর্ট অমনা হায়রি।

নোংমৈ কাপ্পখ্রে

ইম্ফাল জনুৱারি ১১ ঃ ঙসি নুমিদাং কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা আই বি ভেংদা থংন থংননা বোম অনি পোকখায়বগা লোয়ননা ৩৮ শুবা অসাম রাইফলসকা লালহৌবনি চিংনবশিংগা নোংমৈ কাপ্পখ্রে। *(মখা লা ৪ দা)*

প্রিপাক্কী সেকেন্দ লেফটিনেন্ট ফারে

ইম্ফাল জনুৱারী ১১ : ঙসি নুংথিল পুং ১.৩০ রোম তাবদা তেংনৌপল দিষ্ট্রিক্টকী এস পি ডা: এস: ইবোমচাগী সুপরভিজন মখাদা ইন-চার্জ সি দি ও মোরেগী ইন্সপেক্টর পি তরুনকুমার অমসুং সি দি ও মোরেদা ৮ শুবা আই আর বিগী এসিষ্টেন্ট কম্মান্দেন্ট টি ঐচ কৃষ্ণতেম্বীনা লুচিংবা টিম অমনা মোরে ৱার্দ নম্বর টু দাল পতি এরিয়াদগী প্রিপাক্কী সেকেন্দ লেফটিনেন্ট অমা ফারে হায়রি।

ফারবা অদুগী মমিংনা টি ঐচ ইমোচা এলাইজ হৌনা লুৱাং (৪০) অপোকপা লৈখিদ্রবা জুগীন্দ্রো কৌই। ময়াংলাংজিং তমাংদগীনি। মীওই অসি হৌখিবা চহি ২০০৭ গী মেদা প্রিপাকতা য়াওরক্লবা মতুং বাংলাদেসতা ত্রেন তৌরুরে। মসিগী মতুং ২০১১ দা ইষ্টর্ন নাগালেন্দগী চুমদা আর্মি নম্বর ৩৭০৫৩০২ ফংদুনা মখা তানা ত্রেন তৌখ্রে। হৌজিক্লা লুপ অসিগী লেফটিনেন্ট কর্নেল মাইকেলগী মখাদা ওর্গনাইজেসন দিপার্টমেন্টতা থবক তৌবনি হায়রি।

ইন্টরভিয়ু য়েথোকখ্রে

ইম্ফাল জনুৱারী ১১ : চৎলবা চহি ২০১৭-১৮ কী ওইনা পি এম জি পিগী দমক দি:আই:সি: কাংপোকপীগী ওফিসতা ওন লাইন সবমিসন তৌখিবা এপ্লিকান্টশিংগী পাসোনেল ইন্টরেক্সন / ইন্টরভিয়ু ঙসি পাঙথোক্কনি হায়না তৌরম্বদু খুদোংচাদবা খরগী মতম কক্তুনা য়েথোকখ্রে। নৌনা লেপ্পা তারিখ অমসুং মতম কোন্না খঙহল্লক্কনি হায়না দি সি / চিয়ারমেন দিষ্ট্রিক্ট লেভেল টাক্সফোর্স কম্মিটি পি এম ই জি পি কাংপোকপীগী চেরোল অমনা হায়রি।

ত্রেনি রিপোর্টর খরা লৌগদৌরি

পাউচেঅসিগী ওইনা ত্রেনি রিপোর্টর অমসুং মেনেজমেন্ট ষ্টাফ খরা লৌগদৌরি। মসিবু পাম্বীশিংনা মখোয় মখোয়গী বাইও দাটাশিং পাউচে অসিগী জেনরেল মেনেজরদা থা অসিগী ২০ ফাওবগী মনুংদা পীশিনবীয়ু অমসুং এদিটর কে ঐচ লোয়ালাকপগী মোবাইল নম্বর ৭০৮৫৮২৮০৭০ দা কন্টেক্ট তৌবীয়ু। -মেনেজর

লমদমসিগী থবক থিরবা নহারোলশিং অকক্নবা মতমগী মনুংদা থবক পীনবা সরকারনা য়াম্না কন্না হোৎনরি

ঃচিফ মিনিষ্টর

থৌদাং পাউমীদগী

ইম্ফাল, জনুৱারী ১১ ঃ মণিপুরদা মিনিষ্টর / এমএলএ, সরকারগী ওফিসার অমসুং মীওই খরখক্তংনা কোট-সুট-তই পুন্দুনা কার তোংলগা অমসুং চেক্কী যুমদা লৈরগা মণিপুর চাওখৎলে হায়বা য়ারোই, মীপুম খুদিংমক্তসু কোট-সুট-তই পুনহন্দুনা কার তোংদুনা অমসুং চেক্কী যুমদা লৈহন্দুনা শেঙ্হোক লৈনা চপ মান্নবা চাকথুং ফংলবা মতমদা মণিপুর চাওখৎকদৌরিবনি হায়না চিফ মিনিষ্টর এন বিরেননা ফোঙদোকখ্রে।

ঙসি হোটেল ইম্ফালগী সঙাই হোলদা মণিপুর রুরেল বেঙ্কনা শিনবা মেগা ক্রেডিট কেম্পদা চিফ গেষ্টকী ৱারোল পীরদুনা চিফ মিনিষ্টর এন বিরেননা হায়, মণিপুরদা থবক শুরগা নোঙ্গলগা হিংজরিবা মীয়ামগী মতেং ওইনবা হায়দুনা অসিগুম্বা কেম্প অসি পাঙথোকপদা নুংঙাইবা ফাওই।

নুপীশিংনা ক্না জরদা চারগা লেঙ্গী চৎনবী অমা লৈরিবা অসি থাদোকপীয়ু। হৌগৎলক্লিবা ইচা ইশু কয়াগী লাইরিক লাইশু তম্নবগী অমসুং অফবা লমচৎ শাজৎ অমা পুরক্নবা হোৎনবদা হেন্না মীৎয়েং চংবীয়ু। ক্না জরদা চাবা তোক্লগে হায়না খল্লগদি মদুমক ঙম্মনি।

মণিপুরগী নুপীশিংনা হিংনবগী অমসুং ইমুং মনুংগী মতেং পাংনবা হায়দুনা চেক শুবা, চেক শাবা, নুঙ তকফমদা অমসুং বজারদা মীতোপ মীয়ানচাগী যুমদা থবক শুবা চৎপনচিংবা কয়া তৌরিবা অসি অমুক্তংদি কোকহনবা অমসুং তৌহন্দনবা হোৎনবগী মঙলান অমা মঙজরিবা অসি মঙফাওনবা হোৎনগনি। নুপীশিংগী শেল থুমগী ফিভম ফগাৎহন্নবা হোৎনগনি।

মীয়ামগী মতেং নিংথিনা পাংবা বেঙ্কশিংদা সরকারগী ওইবা শেল থন্নবা হোৎনগদবনি হায়বা অকনবা ইনষ্ট্রক্সন অমা লৈরি। বেঙ্কশিংনা নুপীশিংগী য়াইফনবা হোৎনবদা লোন্নচিংবা নিংথিনা পীনবা হোৎনবীয়ু।

যুম্লে কৈরে ফৎত্রবা কয়াবু শেঙ্হোক লম্বী নিংথিনা লৈহনবা হায়বসি সরকার অসিগী অহানবা তৌদ্রবা য়াদ্রবা পান্দম অমা থল্লগা থবক পায়খৎনবা হোৎনগনি। দিসএবল্ড, লুখ্রাবী অমসুং লৈত-লাইরা কয়াগী মতেং পাংনবা সরকার অসিনা হোৎনবা য়াবা হোৎনরি।

ষ্টেট অসিগী মীপুম খুদিংমক ফহন্নবা হোৎনরি। হৌজিক ফাওবদা এক্সচেঞ্জদা মীং চল্লবা মীওই লাক্ষ ৭.৫ রোম লৈরি। হায়রিবা মীওইশিং অসিবু মতৌ করন্না থবক পীন্নবা হোৎনসিগে হায়বদা অকনবা মীৎয়েং চংলি। মখোয়বু সরকারগী থবক লোয়না পীবা ঙম্মদ্রগসু হায়রিবা মীয়াম অসিগী লৈকাইদা মশানা মশাদা থবক পীজদুনা শেঙ্হোক লৈনা হিংনবগী থবক পায়খৎলি।

লাক্লিবা চহীগী বজেট সেসনদা করিদা মরুওইনা মীৎয়েং চংগদগে হায়বা খন্নবা হৌরে। থবক ফংদ্রিবা লাইরিক হৈরবা অমসুং ইনখৎলক্লিবা যুঠ কয়াদা স্কিল দিভলপমেন্টকী ত্রেনিং পীদুনা সরকারনা অহানবা হৌগৎনবগী মতেং ওইনা শেল পীনবগী থবক পায়খৎপা হৌরে।

চিফ মিনিষ্টরনা মখা তানা হায়, অফবা খুন্নাই অমা শেমগৎপদা ঐ /ঐ হান্না ফগাৎহনবা চঁই। ইমুং খুদিংমক্কী শেল থুমগী ফিভম *(মখা লা ৪দা)*

বেঙ্ক একাউন্ট লৈতবা জোব কার্ডশিং কেন্সেল তৌরগনি

ঃবিশ্বজিৎ

থৌদাং পাউমীদগী

ইম্ফাল, জনুৱারী ১১ ঃ হৌজিক লৈরিবা অনৌবা সরকার অসিনা লাইরবশিংগী ফিভম ফগাৎহন্নবা হোৎনরি। সরকার অসিনা লাওথোক্লিবা স্কিমশিং অসি লাইরবশিংগীদমক্তনি। অমরোমদা সরকার অসিনা বেঙ্ক একাউন্ট লৈতবা জোব কার্ডশিং কেন্সেল তৌনবা ৱারেপ লৌরে। এম এন আর জি ই এ গী ফন্দ এলোকেসন অসি মমাংগী চহীদগী পার্ফোমেন্সতা বেজ তৌরগা পীগনি হায়না কমার্স এন্দ ইন্দষ্ট্রি মিনিষ্টর টিঐচ বিশ্বজিৎনা ঙসি উখ্রুল দিষ্ট্রিক্টকী ঙাইনু ভিলেজতা ৮ শুবা তাঙ্খুল নাগা জিংতুন লোংফাং স্পোর্টস কম কলচরেল ফেষ্টিভেল হৌদোকপগী থৌরমদা চিফ গেষ্টকী ৱারোল পীরদুনা ফোঙদোকখ্রে।

মিনিষ্টরনা মখা তানা হায়, সরকার অসিনা মীয়ামগী য়াইফনবা তোঙান তোঙানবা স্কিম কয়া অমা লোঞ্চ তৌখ্রে। সরকারনা পায়খৎলিবা স্কিমশিং অসি মীয়ামদা খঙহন্নবা দি সি শিংনা হোরদিংশিং থেৎনবা খঙহনখি।

চিফ মিনিষ্টর এন বিরেনগী মখাদা হৌজিক লৈরিবা সরকার অসিনা চাওখৎ থৌরাংশিং ষ্টেট অসিগী খুঙ্গং খুদিংমক্তা য়ৌহন্নবা হোৎনরি। মণিপুরগী গভর্নরনা লমদম অসিগী চীংগী য়াইফ থৌরাংশিং পায়খৎপদা থৱায় য়াওরিবশিং অসিগীদমক্তসু পুক্লিং থৌগৎনিংঙানি।

থবক খুদিংমক কন্না শু নোম্বা নত্তনদি কৈদৌঙৈদা মায় পাক্লোই। ঐখোয়গী লমদম অসি দিভলপমেন্ট পুরক্নবা থবক তৌবা চংই। লোয়ননা মীয়াম্নসু সরকার অসিনা সোসাইটি অসিগীদমক চাওখৎ থৌরাংশিং পায়খৎনবা হোৎনরিবা অসিদা শরুক য়াবা চংই হায়খি।

অমরোমদনা উখ্রুল দিষ্ট্রিক্ট সোমদান অমসুং কচাইদা ৩৩ / ১১ কে ভি সব ষ্টেসনশিং খিল্লগনি হায়বগী থাজবা পীরদুনা ঙাইমু ভিলেজতা এ বি কেবল ইন্সটোল তৌবা অসিনা পৱার সপ্লাইগী ফিভম ফগাৎহল্লে হায়বা পুম্নমক্না খঙলে। মৈ ফংদবগী খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্নরিবা অসি সোলর রুপ তোপ ইন্সটোল তৌবনা কোকহনবদা মতেং ওইগনি হায়খি।

তোলোই জঙ্কসনদগী সোমদান, ঙাইমু জঙ্কসনদগী টুইনেম, সিরোই রিনোট, অৱাং কসোম চীংঙাই রোদ, নম্বীসা রোদ অমদি অতৈ লম্বীশিং সেন্ট্রেল রোদ ফন্দগী মখাদা শেম্নবা সেন্টরদা তকশিনখ্রে। রোদ ইনফ্রষ্ট্রক্চর দিভলপমেন্টফন্দগী মখাদা উখ্রুলগী ইষ্টর্ন অমসুং ৱেষ্টর্নসার্কুলর রোদ শেম্নবা সেন্টরদা প্রপোজেল সবমিট তৌখ্রে হায়না ফোঙদোকখি।

পনবা য়াবদি ঙসিগী ইনোগুরেল ফঙ্কসন অদুদা ফুংয়ার কেন্দ্রগী এমএলএ লৈসিওসু শরুক য়াখি। লোয়ননা কলচরেল আইতেম, সোং অমসুং ফেষ্টিভেল অদু মৈরা চুখৎতুনা হৌদোকপগী থৌরম কয়াসু পাঙথোকখি।

মণিপুর ষ্টেট দরবারনা মীতৈ খুন্নাইগীদমক পীরম্বা লম খাক্তুনা থমগদবনি

: এসোসিয়েসন

থৌদাং পাউমীদগী

ইম্ফাল জনুৱারী ১১ : মণিপুর ষ্টেট দরবারনা মৈতৈ খুন্নাইগীদমক্ত পীরক্নবা ভেল্লি ভিল্লেজ রিজার্ভ ফোরেষ্ট এরিয়া (উয়োকচীং) শিং অসি মৈতৈশিংগী ওইনা খাক্তুনা থমগদবনি। করিগুম্বা হিরম অমত্তদা সরকারনা সন্তাইনবা তৌবা য়ারোই। করিগুম্বা তৌরম্বদি মদুদা থোক্লকপা অফ-ফত্তগী দাইত্য অদু মণিপুর সরকারনা পুগদবনি হায়না ভেল্লি ভিল্লেজ রিজার্ভ ফোরেষ্ট রাইট প্রোটেক্সন এসোসিয়েসনগী প্রসিদেন্ট তোম্বানা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়রিবনা, মণিপুরগী ভেল্লি এরিয়াগী সিট নম্বর অমসুং দাগ নম্বরদা লম পুম্নমক ভেল্লিগী দিষ্ট্রিক্টশিংদা চিংগদবনি। খুৎশেমগী ওইনা খুজু-মুজু তৌরবদি মদুগী অফ-ফত্তগী দাইত্য সরকারনা পুগাদবনি। লোয়ননা বাওন্দরি কম্মিসন অথুবদা মথৌ তৌহনগদবনি।

মণিপুরগী ভেল্লি এরিয়াগী সিটনম্বর অমসুং দাগ নম্বর লৈরবা মফমশিংদা লৈরবা কম্যুনিটি পুম্নমক মনাক নকপা চান্নবা তম্পাক্কী কেন্দ্রশিংদা ভোৎ থাদহনগদবনি। মখোয়না পাম্বা কেন্দ্রশিংদা তম্পাক্কী মেপতা য়াওরবা লমশিংদা পুশিনবা য়ারোই। করিগুম্বা সরকারনা মসিগী ওন্ন-তৈনবদা থবক তৌরবদি *(মখা লা ৪দা)*

নোর্থ ইষ্টকী মীওইশিং তাথি তাওইনা তৌবগী মায়োক্তা ঙসি দিল্লিদা রেল্লি চৎকনি

থৌদাং পাউমীদগী

ইম্ফাল জনুৱারী ১১ : মেইন লেন্দ ইন্দিয়াগী মফম কয়াদা নোর্থ ইষ্ট কী মীওইশিংবু তাথি তাওনা তৌবগী মায়োক্তা মাসাদ, ইকল,কে এল এল, কেদব্লিউদব্লিউএ, দব্লিউএ এস ই দি ই ভি, পি এল এম পি এ এম,এমকিল, যুনিকাস অমসুং দি এ এম এম এসগী ইনিসিয়েটিভ মখাদা হয়েং নুংথিল পুং ৪ দগী ৭ ফাওবা দিল্লিদা মার্স রেল্লি চৎকনি হায়রি।

লুপশিং অসিনা থাদোরকপা জোইন্ট ষ্টেটমেন্ট অসিনা মখা তানা হায়রিবদি, দিল্লিগুম্বা ক্রাইম য়াম্না থোক্কনবা সিটিশিংদা লৈবা অসি খ্বাইদগী হেন্না খুদোংথিনিংঙাই ওইরে। মরু ওইনা মেইন লেন্দ ইন্দিয়াগা শক্নু মান্নদবা নোর্থ ইষ্টগী মীওইশিং হেন্না খুদোংথিনিংঙাই ওইরি। মখোয়গা শক্নু মান্নদবা অসিনা মরম ওইরগা নোর্থ ইষ্ট কী মীওইশিংদা সেরিজ নাইনা ইন-হ্যুমেন ওইবা ক্রাইম চথখরি। অসিগুম্বা ইন জষ্টিস ওইবা কাংলুপ নাইবা থৌওংশিং অসিগী মায়োক্তা পুন্না লেপমিন্নদুনা নোর্থ ইষ্ট গী মীওইশিংদা কাহেনবা থৌওংশিং চথরিবা অসিগী মায়োক্তা থেংনমিন্নবা মতম ওইরে।

হন্দক্তসু নোর্থ ইষ্টকী মীওইশিংদা সেরিজ নাইনা চথখিবা কাহেনবা থৌদোকশিংগী মনুংদা য়াম্না চিংননিংঙাই ওইবা মওংদা সির্দাথা কৌবা মহৈরোই অমা অৱাংবা যুমথক্তগী তাদুনা শিখিবগী থৌদোক লৈখ্রে। প্রভিস চনম কৌবা মহৈরোই অমা মফম খঙদনা মাঙখিবগী মিসিং রিপোর্ট তৌরবসু নোইদা পুলিসনা মহাক্কী ইমুং-মনুং অমসুং মরুপ - মপাংশিংদা করিগুম্বা অমত্তা খঙহল্লম্বা তৌদনা পোৎলোইথোক্লম্বগী থৌদোক লৈখ্রে। বিতুতাওরেম কৌবা মহৈরোই অমসু নুমিদাংৱাইরমগী ৱাক্কিং চৎলুরবা মতুং মফম খঙদনা মাঙখ্রে। অসিগুম্বা থৌদোক কয়াসিনা নোর্থ ইষ্টকী মীওইশিং ইনষ্টিট্যুসনেল লেভেল, সিষ্টেমেটিকেল্লী অমদি ষ্ট্রকচরেল্লী ওইনা কাংলুপ নাইবা মওংদা তাথি তাওইনা *(মখা লা ৪দা)*

চেয়োপার্সনগী মীখলদা ববিতা মায় পাকখ্রে

থৌদাং পাউমীদগী

ইম্ফাল জনুৱারী ১১ : ঙসি লম্ফেলগী দি সি গী কোর্ট রুমদা পাঙথোকখিবা ৱাঙ্গোই ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী মীখলদা বিজেপিগী লোংজম ববিতা লৈমনা মায় পাকখ্রে।

মীখলদা মায় পাক্লবা চেয়োরপার্সন ববিতানা মহাকপু রাজ্য সভাগী এম পি কে এস ঐচ ভবানন্দনা ওকপগী থৌরমগা মরী লৈননা হায়খিবদা, ৱাঙ্গৈইম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী লৈফম থোকপা পোৎ চৈশিং থিগৎপগা লোয়ননা রুল্লিং অমসুং ওপোজিসন হায়বা খায়দনা কাউন্সিল্লরশিংগা লোয়ননা প্রজাশিংগী য়াইফ থৌরাং কয়া পায়খৎকনি।

ঙসি মহাকপু কাউন্সিল্লরশিংনা সপোর্ট তৌদুনা মায় পাকখিবা অদু কৈদৌনুংদা কাওরোই। ঙসিদগী মহাকনা চেয়ারপার্সন ওইরবনিনা কাউন্সিল্লরশিংগা লোয়ননা সরকারনা পায়খৎলিবা অনৌবা অমসুং অরিবা স্কিম- প্রোজেক্ট কয়াগী কান্নবা অদু মীয়ামদা ফংহন্নবা হোৎনগনি। মসিদা মীয়াম্না মহাকপু তেংবাংবীয়ু। প্রজাশিংগী চাকথুং মপুং ফানা ফংহনগনি হায়খি।

পনবা য়াবদি ৱাঙ্গৈই ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী চেয়োরপার্সন অসি হান্না আই এন সিগী খাইদেম মেম্মা দেবীনা ওইরম্বনি। অদুমকপু মমাং চহীগী নভেম্বর ২৯দা কাউন্সিল্লর কয়ানা মহাক্কী মথক্তা থাংগৎলকখিবা নো কনফিদেন্সন মোসন অদু মায় পাক্তুনা মীখল পাঙথোক্তুনা ববিতাবু চেয়োরপার্সন ওইনা খনখিবনি।

এম ও বি সিগী দাইরেক্টরনা এম এল এগা মান্নরগা বেনিফিসরিশিংগী চাকথুং কয়া মৎলে

থৌদাং পাউমীদগী

ইম্ফাল, জনুৱারী ১১ঃ হৌজিক-হৌজিক আর আর শুদনা মণিপুর সরকারগী মাইনোরিটি এন্দ অদর বেকৱার্দ ক্লাসেস (এম ও বি সি) গী দাইরেক্টর খুরাইজম দিনেশচন্দ্রনা জিরিবাম কেন্দ্রগী এম এল এ এম দি অসাব উদ্দিনগা মান্নরগা এম ও বি সিগী তোঙান-তোঙানবা বেনিফিসরিশিংনা ফংজগদবা চাকথুং কয়া মৎলম্রে।

পাউ-চে অসিনা ফংবা অখন্নবা পাউ অমগী মতুং ইন্না হৌজিক-হৌজিক আর আরগী ৱাংমদা এম ও বি সিগী দাইরেক্টর ওইরিবা খুরাইজম দিনেশচন্দ্রনা চিফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেন্না লুচিংবা বি জে পিগী চুংশিন্নবা সরকার অমা লাক্লিবসিদা আর আরগী ৱাংমদা দিপার্টমেন্ট অসিগী দাইরেক্টর ওইরিবা অসি মখা তানা ওইবা য়ানবগী সরকার অসিদা চখবা অহানবা লাল্লোং অমা ওইনা মীওইবা কয়াগী এম ও বি সিগী চাকথুংশিং অসি মৎপনি হায়রি। দাইরেক্টর কে ঐচ দিনেশচন্দ্রনা তশেং-তশেংলবা এম ও বি সিগী চাকথুংশিং ফংজবা য়াবগী বেনিফিসরিশিংগী লিষ্টতা য়াওজরবা মীওই কয়াগী চাকথুংদি পীদ্রগা এম ও বি সিগী লিষ্টতসু য়াওদবা চাকথুং ফংনবা লিষ্টতসু থাগৎলমদবা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চল্লম্বদগী হৌজিক্লা নৌনা জিরিবাম দিষ্ট্রিক্ট ওনখ্রবা মফম অদুগী মীওই কয়াদা অরানবা মওংদা এম ও বি সিগী চাকথুংশিং অদু দাইরেক্টর মশানা এম এল এ এম দি অসাব উদ্দিনগা হকথেংননা চৎতুনা মীওই খরদা য়েল্লোকখিবনি হায়রি।

দাইরেক্টর দিনেশচন্দ্রনা মণিপুরগী তম্পাক্তা লৈরিবা তোঙান-তোঙানবা খনগৎলবা বেনিফিসরিশিংদা জি সি সিট (হাওসিং) পম্প সেট, টেলরিং মেছিন, ইমব্রোইদরি মেছিন, কার্পেন্টরি অমদি ৱাটর ষ্টোরেজ টেঙ্কনচিংবা কয়া য়েল্লোকপীগদবা অদু য়েল্লোক্তনা হৌজিক ফাওবা নমশিন্দুনা বেনিফিসরি কয়াদা অৱাবা পীরি। হৌজিকসু হৌখিবা চহী ২০১৪ দগী ২০১৬ ফাওবদা এম ও বি সিগী মখাদা চাকথুংশিং অসি ফংজনবগী বেনিফিসরিশিংগী লিষ্টতা য়াওদুনা চাকথুংশিং অসি ফংজবা য়ারবসু দাইরেক্টর দিনেশচন্দ্রনা হৌজিক ফাওবা পীথোক্তনা নমশিন্দুনা থম্লি। *(মখা লা ৪দা)*

মিনিষ্টর শ্যামকুমারনা য়েংশিনখ্রে

থৌদাং পাউমীদগী

ইম্ফাল জনুৱারী ১১ : হৌখিবা চহি ২০১৬ কী জনুৱারী থাদা থোকখিবা অকনবা যুহার হাবনা মরম ওইরগা অকাই অতোই নংবদগী হৌজিক হৌজিক শেমজিল্লিবা খ্বাইরম্বন্দ ইমা কৈথেল অনিগী ফিভম ঙসি মাহুদ মিনিষ্ট টি ঐচ শ্যামকুমারনা হকথেংননা চক্তুনা য়েংশিনখ্রে।

খোঙচৎ অদুগা মরী লৈননা মিনিষ্টরনা, ইমা কৈথেল অসি থা অসিগী ২২ ফাইরেন পঞ্চমী নুমিত্তা কৈথেল ফন্নিবা ইমাশিংদা খুৎশিন্নরগনি। মরম অসিনা হায়রিবা নুমিৎ অসিগী মাংওইননা শেমজিন শাজিনবগী থবকশিং অদু লোইশিন্নবা অকনবা ইনস্ত্রক্সন পীরমখি।

তুংদা মিনিষ্টরনা থঙ্গাল বজারগী কৈথেলগী শরুকশিং অমসুং নম্বুল তুরেগী তোর্বানগী *(মখা লা ৪দা)*

এম বি বি এস তম্না-তম্না এস এস এগী ওঝা ওইরম্বা অনিগী এপোইন্টমেন্ট ওর্দর কেন্সেল তৌখ্রে

থৌদাং পাউমীদগী

ইম্ফাল জনুৱারী ১১ : জেনিমস অমসু রিমসতা এম বি বি এস তম্না-তম্না এস এস এগী ওঝা ওইরম্বা কয়া অমা থবক্তগী টরমিনেট তৌখ্রবা মতুং মখা তানা মীওই অনি অমসু এম বি বি এস তম্না -তম্না এস এস এগী ওঝা ওইরম্বদগী মখোয়গী এপোইন্টমেন্ট ওর্দরশিং কেন্সেল তৌখ্রে লোয়ননা এস এস এগী ওজা ওইনা জোইন্ট তৌবদগী ঙসি ফাওবদা অরানবা মওংদা লৌথোকখিবা পে অমদি এলাৱেন্সকী শেলফমশিং থা ৬ ফাওবগী মনুংদা দাইরেক্টোরেৎ ওফ এদুকেসন (এস) কী মরী লৈনবা হেদ ওফ একাওন্টতা দিপোজিৎ তৌনবা খঙহনখ্রে।

ঙসি এদুকেসন (এস) গী দাইরেক্টর টি ঐচ কিরনকুমারনা থোকখিবা ওর্দর অমগী মতুং ইন্না হৌখিবা ২০১২ গী ফেব্রুৱারী ২৬ তা পাঙথোকখিবা ক্লাস - থ্রি দি পি সিনা রিকমেন্দ তৌরকপগী মতুং ইন্না প্রাইমারি টিচর (এস এস এ) না এপোইন্ট তৌদুনা হৌজিক হৌজিক চান্দেল দিষ্ট্রিক্টকী থুমতাম লৱার প্রাইমারী স্কুলদা পোষ্টিং তারিবা দিষ্ট্রিক্ট সিমন্ত্রী খুকারথিল ভিল্লেজদগী পি মেসেনজোর্জ দাংসুৱা অপোকপা পোদার হায়রিবা মীওই অসি জেনিমসতা এম বি বি এস কোর্স তম্নে হায়বগী চিংনবা লৈবদগী ইনষ্টিট্যুট অসিগী দিন (একাদমিক) না কনফর্ম তৌখি। মদুদা মীওই অসি ২০১২ গী অগষ্ট ২৫ দা ইন্সটিট্যুটঅসিদা এম বি বি এস কোর্সতা এদমিট তৌদুনা প্রোফেস্নেল একজামিনেসন খুদিংমক পাস তৌদুনা মমাং চহিগী অগষ্ট ২৮ দগী চহি অমগী কম্পলসরি রোটেটেরি ইন্টর্নসিপ চথরি হায়না খঙহল্লকখ্রে। পি মেসেনজোর্জ অসি এম বি বি এস তম্লবা মতুং এস এস এগী প্রাইমারিগী ওঝা ওইনা এপোইন্ট তৌখিবনা মহাক্কী এপোইন্টমেন্ট অসি কেন্সেল তৌরে।

মীওই অসিনা অরানবা মওংদা অমসুং এলারেন্সশিং লৌথোকখিবা অদুগা মরী লৈননা থা অমগী মনুংদা চান্নবা আই পি সিগী ক্লোজশিংগী মখাদা এফ আই আর লোজ তৌনবা চান্দেলগী জেৎ ই ওদা খঙহনখ্রে। লোয়ননা ওর্দর ইসু তৌরিবা নুমিত্তগী পারগা থা ৬ কী মনুংদা মীওই অসিনা লৌথোকখিবা পে অমসুং এলারেন্সকী শেলফমশিং অদু রিকোভর তৌরগা মরী লৈনবা হেদ ওফ একাওন্টতা দিপোজিৎ তৌনবা খঙহনখ্রে। *(মখা লা ৪দা)*

দিভলপমেন্ট প্লান অমদি কর্ম্মচারিশিংগী তলবতা চৎখিবা চাদিংগী চাং সি এম না রিভিয়ু তৌগদৌরি

থৌদাং পাউমীদগী

ইম্ফাল জনুৱারী ১১ঃ লাক্লিবা জানুৱারি ২১ দা ষ্টেটকী থাক্তা পাঙথোক্কদৌরিবা মণিপুর ষ্টেটহুদ ফংখিবা নুমিৎকী ৪৬ শুবা কুমওন থৌরমগী মাংওইননা চিফ মিনিষ্টর এন বিরেননা চৎলিবা শেনবা চহী ২০১৭-১৮ অসিগী অহানবা থা ৯ দা মণিপুর সরকারগী মখাদা লৈরিবা দিপার্টমেন্টশিংনা ৱারফুতিংদা পায়খৎখিবা দিভলপমেন্ট প্লানগী থবক অমদি কর্ম্মচারিশিংগী তলব পীবদা চৎখিবা চাং রেভিয়ু তৌনবা থৌরাং তৌখ্রে।

মমাং চহীগী এপ্রিলদগী হন্দক দিসেম্বর ফাওবা পুন্না থা ৯ অসিগী মনুংদা কর্ম্মচারিশিংগী তলব য়াওনা দিভলপমেন্ট প্লানদা চাদিং তৌখিবা হিসাব খঙদোক্লবা চিফ মিনিষ্টরগী ইঙ্গিৎ মখাদা প্লানিং দিপার্টমেন্টনা মমাং থাগী ২২ দা দিপার্টমেন্ট পুম্নমক্কী অচৌবা দাইত্ব পুরিবা মরী লৈনবা ব্যুরোক্রেট ওফিসারশিংদা নোটিশ অমমম থাদুনা ষ্টেটস ওফ এক্সপেন্দিচর (চাদিং তৌখিবা চাং) গী মরিক চুম্না রিপোর্ট কৌখিবগা লোয়ননা দিপার্টমেন্ট অসিনা থা অসিগী ৩ ফাওবদা রিপোর্ট থোমগৎখ্রে। অদুম ওইনমক প্লান্নিং দিপার্টমেন্টনা কৌরিবা রিপোর্ট অসি দিপার্টমেন্ট অয়াম্বনা থাগৎনরক্তি হায়রি।

প্রেসনা ফংবা পাউগী মতুংইন্না দিপার্টমেন্টশিংদগী চাদিং তৌখিবগী ষ্টেটস রিপোর্ট কৌখিবা ব্যুরোক্রেট ওফিসারশিং অদুদি তেঙান তেঙানবা দিপার্টমেন্টশিংগী এদমিনিষ্ট্রেটিভ সেক্রেটরি ওইনা থবক পুরিবা এদিসনেল চিফ সেক্রেটরিশিং, প্রিন্সিপাল সেক্রেটরিশিং, কম্মিসনরশিং, সেক্রেটরিশিং অমদি হেদ ওফ দিপার্টমেন্টশিং অসিনি। এদমিনিষ্ট্রেটিভ সেক্রেটরিশিং অসিগী মথক্তা মণিপুর ষ্টেট পৱার দিষ্ট্রিব্যুসন কম্পনি লিমিটেদ (এম এস পি দি সি এল) অমসুং মণিপুর ট্রান্সমিসন কম্পনি লিমিটেদ (এম এস টি সি এল) গী মেনেজিং ডাইরেক্টর (এম দি) অনিমক্তগীসু রিপোর্ট কৌবদা য়াওই হায়রি।

অপিবা ফোর্মেতা প্লান্নিং দিপার্টমেন্টতা মেনশিল্লগা রিপোর্ট থাগৎলকপা মতমদা দিপার্টমেন্ট দিপার্টমেন্টকী ওইনা তেঙান তেঙানবা সোর্সশিংদগী ফংবা নত্রগা সেন্টরনা রিলিজ তৌরকপা ষ্টেটকী ফন্দগী চাকথুং অমদি চাদিং তৌখিবগী চাং য়াওবা তেঙান তোঙানবা কলমশিং হাপ্পীয়ু হায়রি। হৌজিক ফাওবদা চাদিং তৌবগী পার্সেন্টেজকা কোন্না ষ্টেটস রিপোর্ট থাগৎনরকপা দিপার্টমেন্টখরগী রিপোর্টশিং ঙসিদগী হৌনা প্লান্নিং দিপার্টমেন্টনা কুপ্না একজামিন তৌবা হৌখিবগা লোয়ননা রিপোর্ট থাগৎনরক্তবা দিপার্টমেন্টঅয়াম্বগী রিপোর্ট নোংমা নিনি অসিগী মনুংদা থাগৎলক্নবা রিমাইন্দর অমুক থাখ্রে। দিপার্টমেন্ট মশিং শুনা রিপোর্ট থাগৎনরক্লবা মতুং একজামিন তৌবা পুরা লোইরগা চিফ মিনিষ্টরগী এনগেজ ইরে লৈতবা নুমিৎত রিভিয়ু তৌবগী মীফম কৌগদবনি হায়রি।

প্লান্নিং দিপার্টমেন্টতা থাগৎনরক্লিবা নোর্মেল দিভলপমেন্ট স্কিমশিংগী মনুংদা দিপার্টমেন্ট অসিনা মাংজৌননা ইয়ারমার্ক তৌখ্রবা অখন্নবা অমদি মরুওইবা প্রোজেক্টশিংগী মমিং য়াওরি। প্রোজেক্টশিং অদু সেন্টর, নোর্থ ইষ্টর্ন কাউন্সিল (এন ই সি) অমদি দোনর মিনিষ্ট্রিগী নন-লাপসেবল সেন্ট্রেল পুল ওফ রিছোর্সেস (এন এল সি পি আর)গী প্রোজেক্ট ওক্তনি। প্রোজেক্টশিং অসি থবক ওইনা পায়খৎপা য়ানবা দরকার ওইবা ষ্টেট শেয়ার কয়া য়াল্লা পুথোকশ্রবগে হায়বদু মচা খায়না *(মখা লা ৪দা*

মপুং ফাবা স্কুল অমা ওইহনবদা অয়েৎপা পীবিগনুঃকম্মিটি

থৌদাং পাউমীদগী

ইম্ফাল জনুৱারি ১১ ঃ শিথরক্লবা কুম্বী অৱাং হায়স্কুল অসি হিংগৎহন্নবা স্কুল দিভলপমেন্ট কম্মিটিনা হোৎনরিবা অসিদা লনাই মীওই অমসুং সরকারনা অয়েৎপা পীবিগনু হায়না ঙসি স্কুল অসিগী কেম্পসতা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা স্কুল অসিগী ফাউন্দর হেদ মাষ্টরসু ওইরিবা দিভলপমেন্ট কম্মিটিগী এসিষ্টেন্ট সেক্রেটরি এল বুধচন্দ্রনা ফোঙদোকখ্রে।

মহাক্না মখা তানা হায়খিবদা, ১৯৬০ দা এল পি স্কুল ওইনা লিংখৎলবা মতুং ১৯৬৬তা য়ু জে বি অদুগা ১৯৬২ দা হায়স্কুলগী থাক্তা অপগ্রেদ তৌদুনা ১৯৮৩ দা বোর্ড ওফ সেকেন্দরি এডুকেসন্না কুম্বী গার্লস হায়স্কুল ওইনা রিকগনাইজ তৌখিবনি। লোয়ননা ১৯৮৪ দা কুম্বী অৱাং হায়স্কুল ওইনা মমিং ওনখিবনি। ২০০২ দা কুম্বী অৱাং খুন্নৌ দিভলপমেন্ট কম্মিটিনা গভর্নমেন্টনা রেজিষ্টার তৌরগা স্কুল অসি হিংনবা থৌদাং লৌরকখিবনি। অদুবু চহী খরা অসি স্কুল অসি শিথরুরে। অদুগা অমুক নৌনা হিংগৎহন্নবা কম্মিটিনা কন্না হোৎনদুনা নর্সরিদগী ক্লাস টেন ফাওবা হাংদোক্লবা হোৎনরি। *(মখা লা ৪দা)*

হৱাদা লৈরাংদো


সার, খুঙ্গংসি লাইরবা লৈত্রে মরমদি মী লৈত্রে।

মনুংদাঃ ঙমখৈগী চয়েৎনবা সরকারনা মীৎয়েং চঙফম থোকই (এদিটোরিয়েল) লৈবাক্কী পাউ, মপানগী পাউ, ষ্টেটকী পাউ, খঙজিনবদা কান্নবা, থৌদাং স্পোর্টস